# রুশু শান্নরোয় এন রোশিবিনা দি এস পি (স্পোর্টস) ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস):**
লমদম অসিগী খক্তা নৎতনা লৈবাক অসিগী ওইনসু মমিং লৈরবী রুশু শান্নরোয় অমা ওইরিবী অর্জুন এৱার্দী নাওরেম রোশিবিনা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্লা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (স্পোর্টস) ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে।

লমদম অসিদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী গভর্ণর অজে কুমার ভল্লানা এন রোশিবিনাদা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অদু ঙসি খুৎশিন্নখিবনি। এপোইন্টমেন্ট ওর্দর খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা গভর্ণর অজে কুমার ভল্লানা এন রোশিবিনাবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা কন্না হোৎনদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা অমদি হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা হেন্না শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা পূক্নিং চঙহল্লক্নবা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

লোয়ননা রোশিবিনানা দি এস পি (স্পোর্টস)তা লৈরবা মতুং তুংদা হেন্না মায় পাকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়বা ৱাফমশিংসু থমখি।

মমিং লৈরবী রুশু শান্নরোয় নাওরেম রোশিবিনানা হৌজিক ফাওবদা নেশনল অমদি ইন্টরনেশনলগী থাক্তা অমদি এসিয়ন গেমসতা মেদল কয়ারক হন্না লৌদুনা মণিপুরগী খক্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী ওইনা মিংচৎ পুরকখ্রে। মশাগী চহী ২৩ রোম শুরবী নাওরেম রোশিবিনানা কুমজা ২০১৮ অমসুং ২০২২গী এসিয়ন গেমসতা মথংশিংনা ব্রোঞ্জ অমদি সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। রুশু সান্দা কটাগোরিগী ওইনা ইন্টরনেশনল রুশু ফেদরেশন ফিমেল এথলিট ওফ দি য়রগী টাইটলসু মহাক্লা লৌবা ঙমখ্রে।

# লোক্তাক ট্রোফি : অমোফানা আর এফ সী সী থোইখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস):**
এন ঐচ পি সী লোক্তাক প্রোজেক্টকী স্পোন্সরশিপ মখাদা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএশন (অমোফা)না শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা ১৫রক শুবা লোক্তাক ট্রোফি ইনভিটেশন ফুটবোল টুর্নামেন্ট (য়ু-১৭) হৌদোকখিবগা লোয়ননা হৌদোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচ অমদা অমোফা একাদেমিনা আর এফ সী সী কৈনৌ মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা অমোফা একাদেমি অমসুং আর এফ সী সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী অমোফা একাদেমিনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখিবনি। অমোফা একাদেমিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩৩, ৫৪, ৫৫শুবা মিনটতা মথংশিংনা এন ধনরাজ, গিরিজেনেল অমসুং কে ঐচ উত্তমনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা আর এফ সী সীগী পাঞ্জল অদুনা ৮১শুবা মিনটতা ও বেল্টননা চনখিবনি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. মাইরেম্বম চন্দ্র, মোইরাং কোলেজগী প্রিন্সিপাল নিংথৌজম জয়, লোক্তাক প্রোজেক্টকী ঐচ আর ওফিসর টাপস রঞ্জন বেহরানা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। রঞ্জন বেহরানা, অমোফানা স্পোর্টসকী লম্‌দা হোৎনরক্লিবা কয়া অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইহনি অমদি মখা তানা এন ঐচ পি সীগী মায়কৈদগী স্পোর্টস চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা অঙম্বা মতেংশিং পাংগনি হায়খি।


# নুপাগীদা ৱিন্নর অদুগা নুপীগীদা রন্নর্স অপ তাখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস):**
ওইল ফিল্ড প্রোটেকশন এন্দ পব্লিক ৱেলফেয়র্স কম্মিটি অমসুং টিন্সুকিয়া দিষ্ট্রিক্ট খো-খো এসোসিএশননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪দগী হৌরগা চৎথরকখিবা অনীরকশুবা নোর্থ ইষ্ট জোন জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ (নুপামচা অমসুং নুপীমচা) ২০২৪-২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী নুপামচা টিমনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা নুপীমচা টিমনা রন্নর্স অপ তাখ্রে।

অসামগী টিন্সুকিয়াদা লৈবা দিঘল হাকু গোন প্লেগ্রাউন্দদা চৎথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরদগী খো-খো শান্নরোয় নুপামচা ৭ অমসুং নুপীমচা ৭ শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নুপামচাগীদা মণিপুরনা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশনা মথংশিংনা ফর্ষ্ট রন্নর্স অপ অমসুং সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখি। অদুগা নুপীমচাগী ওইনা অসামনা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা মণিপুর অমসুং ত্রিপুরানা মথংশিংনা ফর্ষ্ট রন্নর্স অপ অমসুং সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি। নুপামচাগী ওইনা মণিপুরগী কে ঐচ রাকেশনা বেষ্ট দিফেন্দরগী টাইটল লৌবা ঙমখি। টি ঐচ প্রেমচান্দনা বেষ্ট প্লেয়রগী টাইটল লৌখি। অদুগা নুপীমচাগী বেষ্ট এটেকরগী টাইটলনা মণিপুরগী এল এলিনা লৌখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 1429

**Felix-Antonio Ilinca (2023) - Sergei Mihajlovskij (1655)**
**Freestyle Friday Chess.com (6), 2025.03.14**

1.c4 e5 2.Nc3 Nc6 3.Nb3 Nb6 4.e3 d6
5.d4 exd4 6.exd4 Bf6 7.Ne4 Bxd4 8.Nxd4 Nxd4
9.Bc3 Ne6 10.Qd3 Bc6 11.Bc2 Qe7 12.O-O-O O-O-O
13.Rhe1 Rhe8 14.Bb4 Qh4 15.g3 Qxh2 16.Rh1 Qg2
17.f3 Nc5 18.Nxc5 dxc5 19.Qf5+ Bd7 20.Qxc5 Qxf3
21.Rhf1 Qxg3 22.Rxf7 h5 23.Bd2 Re5 24.Qd4 Bg4
25. …

**QUESTION : White to checkmate**

**Puzzle 1428 Solution :**

**48. …Bh2+** With a discovered check by the black rook.
**49.Nxe4**
49.Kh3 Rh4#
**49. ...Rf4+ 50.Kh3 Rh4#** Highstriker mate X-ray mate
**0-1**

# এম এন সী এনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস):**
বি সী সী আই সী ও ঈনা শীন্দুনা মথং থাগী ২গী হৌরগা ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু-১৯ ইলিট বোইজ কেম্পকীদমক এম এন সী এগী কোচ অনী অমসুং ফিজিওথেরাপিষ্ট অমা এপোইন্ট তৌরকখিবা অদুবু মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)গী মায়কৈদগী নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এম এন সী এনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এপোইন্ট তৌরকখ্রবশিং অদুদি কোচশিং ওইনা সিদার্থ ট্রিভেদি অমসুং শান্তনু ঘোশনি অদুগা ফিজিওথেরাপিষ্ট ওইনা এপোইন্ট তৌরকখ্রবা অদুনা থোঙাম কমলেশনি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী ওইনা থোঙাম কমলেশনা নেশনল লেভেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগুম্বা কেম্প অসিদা ইহান হানবা ফিজিওথেরাপিষ্ট ওইরি। মণিপুরদা লৈরিবা ক্রিকেট শান্নরোয়শিং অমদি ক্রিকেট পামজবশিংগী ওইনা মসি য়াম্না নুংঙাইবা মীৎকুপ অমনি হায়রি।

# ক্লাসা মায়থীহৌরে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস):**
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা চৎথরকখিবা আই লীগ-টু ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ স্পোর্টস ক্লব (য়ু এস সী)না কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিএশন (ক্লাসা)বু মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা খুমন লম্পাক ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা ক্লাসাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা কাউন্টর এটেকশিং চৎথদুনা শান্নখি। অদুবু য়ু এস সীগী হৈ-শিংলবা দিফেন্দরশিংনা থৎতুনা অরেম্বদা তাহনখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা য়ু এস সীগী সাহিল হরিজননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু য়ু এস সীনা মায় পাকখিবনি।





एफएसएसएआई fssai
MINISTRY OF HEALTH AND FAMILY WELFARE

## ফসাই লাইসেন্সতা ঙসিমক নহাক্কী পান লিঙ্ক তৌ!

এফ ও এস সী ও এস পোর্টেলদা
https://foscos.fssai.gov.in



**ফসাই লাইসেন্সতা পান লিঙ্ক শুংশোয় শোয়দনা তৌগদবনি**

ফূদ বিজিনেস ওপরেটরশিংগী থবক-

- ফসাই লাইসেন্স এপ্লাই **নৌনা তৌবা, রিন্যুএল তৌবা অমদি শেমদোকপদা** পান অসি হৌজিক্তি মথৌ তারে।
- **‘মোদিফিকেশন’** টেবকী মখাদা **নন-ফোর্ম সী লাইসেন্স মোদিফিকেশন (ফী য়াওদনা)**গী খুথাংদা নহাক্কী পান ইনফোর্মেশন অপদেট তৌ।
- ফসাইদগী চাং নাইনা ‘অপদেট্স অমসুং এলর্টস’ ফংনবগীদমক ফূদ বিজিনেসশিংনা **মখোয়গী কন্টেক্ট দিটেলশিং য়ুজর প্রোফাইল সেকশন**গী মখাদা অপদেট তৌনবা খঙহল্লি।

**হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক:**
নভেম্বর ১৩, ২০২৪গী ফসাই ওর্দরদা য়েংঙউ
হেল্পলাইন: ১৮০০১১২১০০দা কন্টেক্ট তৌ;
helpdesk-foscos@fssai.gov.in

*মথৌ তাবশিংগীদমক খূদক্তা থবক তৌ*

fssaiindia fssai fssai_safefood fssaiindia fssai_india

CBC 17163/12/0021/2425

বিত্ত মংত্রালয় MINISTRY OF FINANCE

## এটেনশন! জি এস টি টেক্সপেয়রশিং

চহীগী টর্নওভর# অকক্নবা লিমিট অমফাওবা* চাংচৎতা লৈবা মীওইশিংনা ফাইনান্সিএল য়র ২০২৫-২০২৬কী ওইনা মার্চ ৩১, ২০২৫ ফাওবদা জি এস টি কম্পোজিশন স্কিম লৌবা য়াগনি

কম্পোজিশন স্কিম অসিবু ফংনিংবা ইলিজিবল টেক্সপেয়রশিংনা মখাগী ষ্টেপশিং অসি জি এস টি পোর্টেল (www.gst.gov.in)দা ফোলো তৌবীয়ু:



- টেক্সপেয়র ইন্টর্ফেসতা লোগ ইন তৌ
- চঙউ সর্ভিসেসতা > রেজিষ্ট্রেশন > এপ্লিকেশন টু ওপ্ট ফোর কম্পোজিশন লেভি
- ফোর্ম জি এস টি সী এম পি-০২ মেল্লু অমসুং সবমিট তৌ

ইলিজিবল ওইবা টেক্সপেয়রশিং, হান্ননা কম্পেজিশন স্কিম ফংলবশিংনা, ফোর্ম সী এম পি-০২ ফাইল তৌবগী মথৌ তাদে করিগুম্বা মখোয় ইলিজিবল ওইরবদি।

ইজি এন্দ কনভিনিএন্ট কমপ্লায়ন্স | এট্রেক্টিভ টেক্স রেটস | মিনিমম কমপ্লায়ন্স রিক্বায়র্মেন্টস | ওটো রিন্যুএল এন্দ ইজি টু ওপ্ট-আউট | এভাইলেবল ফোর সপ্লায়র ওফ গূদ্স এজ ৱেল এজ সর্ভিসেস | লেস বুককিপ্পিং

| * সপ্লায়রগী মখলশিং | | # এফ ৱাই ২০২৪-২৫দা চাংচৎতা চহীগী টর্নওভর |
|---|---|---|
| সপ্লায়র ওফ গূদ্স: | ষ্টেট ৮দা রেজিষ্টর তৌবা টেক্সপেয়রশিং | ₹ লাখ ৭৫ ফাওবা |
| | অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা রেজিষ্টর তৌবা টেক্সপেয়রশিং | ₹ লাখ ১৫০ ফাওবা |
| সপ্লায়র ওফ সর্ভিসেস | | ₹ লাখ ৫০ ফাওবা |

অকুপ্পা মরোলগীদমক, সী জি এস টি এক্টকী সেকশন ১০, রুল ৩-৭ ওফ সী জি এস টি রুলস এন্দ নোটিফিকেশন নং. ১৪/২০১৯-সেন্ট্রেল টেক্স দেটেদ ০৭.০৩.২০১৯দা য়েংবীয়ু

জি এস টি কম্পোজিশন স্কিম: অপীকপা টেক্সপেয়রশিংদা অচৌবা কান্নবা

স্কেন তৌ ঐবু!

CBC 15502/13/0010/2425

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টম্‌স
@cbicindia @cbic_india @cbicindia @cbicindia @CBIC india


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com